মনুংদা ইরিবা।

অহানবা অধ্যায়।

অনিশুবা অধ্যায়।

মৈতৈ ৱারেং অরুবা।

সভ্য সমাজ।

লাইরিক লাইত হৈরবা, তাইবংখোনগী চংনরিবা হোনবী থংলবা মী মরাম লৈমিন্নরিবা সমাজ অদুবু সভ্য সমাজ কৌনৈ। মী পুম্নমক শিক্ষিত ওইনরবদি, অমনা অমবু নাকচগুমজনা পংতোতোবা ঙামদে, ইংলণ্ড অমসুং আমেরিকানচিংবা সভ্য দেশদা পোকপা মীদি চেনা লাইরিক হৈনৈ, মী চামগী মসুংদা অমকরাতা মরাইবকথীবা উই।

অহৈহৈবা মী ওজা তিনবা ককমদগি কুরি [illegible] মহক্তা মরুপ কুমং চংলৈ; ঐপী এইমনহু মীপী ঐইমকহ্ থবক পূম্মক মতম চানা-তানা তৌনৈ, মরাপ মাপী খোবাং পুম্বা শিমকথ [illegible] শিঙ্গিপী থবক; মীহেৎসাং লোকপগী থবক, নৈমুংবগী থাকুং-মমাং লৌবংগগী থবক্ক মশিনচুমা অদি কাম্বু কাম্বু মাইনাক্ত তমৈ; নোমটৈ। কাম্বু অমনা কাম্বু অমবু উশিং-থৌওইদনা তৌনবে। তিন পুম্মক মী মুদিংগী কাদৈ; মী মুদিনা তিন পুম্মক খোমদি [illegible], [illegible] অমনা অমগা উশিং[illegible] তৌনবে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাউজেল শোক্‌নহ মীনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] থাবগী হোন্নমং সভ্য সমাজদা লুমা তৌনি।

অতোপনবা ফাং ওইরিমবা তাপায়া মহেমশিং হৈরক্তনা চাউথংলক্লবা অসিদা মাখোইবু মতম্ময সমাজ পূরবকনা ইকাইখুম্নরে, অচৌবা থাজবা পুথংখরে।

মী ঊশিক্লবা, নাইতোম হুৎহাইনিংবসি অচৌবা লাংনা থক তোৎনদে, মায়ক্তু কত্তে, মাথল অসি হেক পোকপগা সমাজ অহ লিকলি কাইবঙম শোজিন্নবা ইমায়াগী মইদবনি। অচৌবা লাংকী সমাজদা থবাইগী কায়নবা তৌরিবা, মতেং মায়া পাংলিবা মী অমুবু অচৌবা মী কৌনৈ। ইংরাজশিংবু এখোইনা অচৌবা লাংনি হায়-রিবা অসি মাখোইনা ভারতবর্ষগী অথাব, অয়াংপা মায়া কোকপিরে হাইবগিনি। ডেভিড হেয়ার্না আসামগী খুদোংথীদা লেংলিথিবা, কল-বিথিবা, ডেভিড হেয়ারনা কলিকাতা মাইপৈদা থেমচনা মমাম লাইরিক হৈহনথিবা অসিগুম্বা ভারতবর্ষগী লৌশিং চাওখোক্লবা মায়না তৌ-বিরে হায়বা মরমদগী মাখোইবু এখোইনা অচৌবা লাংনি হায়রিবনি: চাওখোকপা ওংনুবিবনহ মানা মানা লোকসরকপা, অজরকপা মতমগী মচুইমা থবক থবা [illegible] মথনিংবা মকমকা [illegible] তৈতে। চাউবু চাউখোকহুবা, থংগু থনকরবা মী মচুগী [illegible] চাউবা মায়া হাইবা অসি থংবগী [illegible] জাংবা মীজিনবা মানবা পথাপ সমাম পুক্কবনৈ।

[illegible] মতম্ময হাইবা অসি লৈবাকচাগুনি হাইবা বা লোইনবা, মীগী মায়াখাদা মাংবিবা, [illegible] অমদং [illegible] মীবু [illegible] কৌই। মতম্শিংনা [illegible] [illegible]

মতৌমিং হাইবদি, মীওইবা অমি পুকনিংগী থিবগী মচুং মমাংমুগী শুরুংনি।

মত্যগী লোন অমি কৌচি থাক্তে, মখনা নাইথবরবা লোমনা ভূরুপুরবা তাব কোংই। থাম্বীশাবা মতমদা [১] মীনা ঙাংবে বা মৈথংবদে। [২] অৈগী থাদা মহোদোকপা মীগী বা তাবদা তৌনদে। [৩] বা ঙাংবদা মতমদা থাকৌই মাথনা পুন্না মীগী থৌইদৌ শাউগৎহল্লে। [৪] ধর্মগী মরী থোকপা থবক্তা করেমনবা ওয়া ঙাংলে। [৫] অকাম্বগুপেৎ লোন্দুনা মচোৎথপাক নাইদবা তৌমদে। [৬] থাহে অমা মৈৎনবদা মীনা ওথবরবম মীগী বা অত চুম্লবমাল্লে। হাইদুনা মাথনা হয়াওবা উৎলি। [৭] মীনা বা ঙাংবদা পুক নিংথৌবা থক উৎনদে। [৮] তৌগে হাইথরবা অমসুং মাথরবদি শোইদনা লৈত্রে। মাদিংদবা বা অহ মীগী পুকনিং নাহেনদনা ওমোই হায়বা থ হেদি।

মীনা নিংতম্বা মক্তেপোংবনিবদা মামগী হরাউবা উৎপা অমিনা মত্যগী অচৌবা শুক অমনি। পুকনিং মকাম্মবগী কোংখিবা হরাউবা অমিদি অচৌবা থৌরী পুকুমনি। উমগাই হরাওবা, চৈনগাই হরাওবা, হাওদরাওবা অমিত্তনগী হরাওবা অমিনা পুর্নদা হুম্মাই হাইবগুম মুখীবা থক ত্রাবে। হরাওবানবা মী অমিদি অমিত্তবা পুক্নিংথৌ তাহকলবদি পুক্নিং কাবা থক ওইবে, মোৎ থোকিবা মগপুনগবদি থাই। অমুমবা শংনা হরাওবা; অমসুং পুকচেল নারা হরাওবা অমি থোকনা থীবি।

সভ্যগী পুক্নিং মুংঙাইবগী হয়াওবা মতৌ উৎপা, পুক্নিং মকাপামবা অসিদি মুঙাইরে হাইছনা হেক্তিমা নোকখেছনা তয়াংতশোইবা মতৌগুম থক উৎতে। অমাবা কানদা মুংগুক মুংজানহনা পুক্নিং ফাবা ঙমদবা মতৌগুম লৈতে। চাং অমদা লেপতুনা ইমুংদমুংঙাইবা মতৌ উৎলি। মী পুম্নমক্না তিমবা মুংঙাই। মথকথোংবা লাকলগা তঙুপ-তয়াং ওককনি, মমাংবা অমসুং মরোইমনাও পুম্নমক্না তয়াম-তয়ামবা মতৌ উৎকনি। মাসিমু পুকচেল লাকনা হয়াওবা কৌগনি।

পংনা হয়াওতয়াম পামবা মীনা মায়লবদি সমাজ পুবা ঙমকদ্রা লৈতে, লাক্তনা নোকখেবা কান্দা মীগী ওয়াথল থেম্লি, হাউই। পুক্নিং মকাপামবা ইনো মাগী মাগী মথোদা পুক্নিং লুপ্পুনা লৈনরিবা সভ্য জাতিগী কিনময়ু থ্বাইনা লৌনরি।

সভ্যশিংনা মীবু মুংশিহনবা, নালনুকপা মরমদগী পুক্নিং ইংনো পানবা ঙমই। অচৌ অচৌবা ইংরেজ সাহেবশিংনা কয়া থৌনাফনা মথন্তা কোইনা চৎলি। লমচৎচুমদবা মরমদগী কনা অমনা কয়া ফিনা মী লোইনহনা চৎলি। মথাদা লৈরবদি কলোইদম্মু তাগনি হাইবগী কিবা লৈরে, মথক্তা কায়বদি তাপত্রা হাইবগী চিংবা লৈ-করি লৈতবা থ্বাইগা মাংবা অচংবা মী অমা ওইনা উৎলবদি মেরুবা ময়াং মামনা কোকথরে। অমগী ওমদি হাইমা অপক্পা পুক্না তৌনবকা মার্শ আইজক নিউটনা কপ্নি লৈতবা মী অচংবা অমসুং অমারকেজন ইকিসিক্তিনো হাম্রা শাই, সভ্যশিংগী চাউথোকপা লৈতে।

য়াইহ থোংকনদি নোংপা তৌথোকলকপা কৌকি কনকপা য়াম্লি

কাম্লে ; ঐগী ঐগী পাজল, মৌশিং মৈৱমবে শীজিনহুনা থ্বাই মুত্তাইশিন্নবা নোমগনি। মতম অহুদদি পুক্নিংদা মাপনা মুক্তাইবা ৱরোই ইবা অমা পোকনরগনি। মীচং মশেল ৱাখল-চৈনক্রবা, মীনম শোল্লিনক্রবা, য়েংথিনক্রবা অমসুং মতেং পাংনবগী মহৈহৈকল মী কাবু অহুথু সভ্য জাত হাইনা থ্বাইনা থংনরি।

সভ্য জাং ওইবা ইউরোপীয়ানশিংনা লম অমদগী মপোক অসিগী অকুক হন্নক্রোইদবা ওইনা চৎলমদাই য়োরবমক্তা, কোন্না নাকপা মীনা চাংজৈরোঝবা মনামশিং কোবিনচিংবা ঈশিং চাইরমগদা অক্রম বাক্কা তৌথোকথি হায়বগী মী অরাবনা পাউরো ওইনা "সাহেবনা চৎলমদাইদা কোবী ঈশিং চাইরমই" হায়মৈ। সভ্য নত্তবা মী অতৈনদি ঐনা চায়রোই ফংলরোইদবা মৈরবদি থমলমহুনা করি কাম্নগবনো হায়বা পুকচেল অসি মৈ। সভ্য ওইবনা চৎলিবা "ধর্ম্মদি ঈশ্বর অমতগী রাজ্যদা মৈরিবা জীব পুম্নমক অসি মুংশিনকম থোকই, মপা অমত্তগী মচানি, জগৎ পিতা ওইবা ঈশ্বরনা মচিনমনাও ময়াম চাম্নবা উন্নবদি পেন্সবির্গমি অসুম্না থনবা পুকচেল অসিনি।

মীওইবা অসি য়াম্না তোম্না পান্নবদগী মথং মথং শিংবা হেন-গৎলকলিবনি। হৌজিক সভ্য ওইরিবা পুম্নমক অসি মথাংইগদদি য়াম্না ফংলমত্রিবা ডাকনি। মথং মথং ফগৎলকলিবা সভ্যাশিং অসিগা তুইনা শন্নরবদি জগৎ অপুবা অসি সভ্যতাক ওইবা য়াই। পাউচে "থাক্ক" হাইবা অসি য়াওদনা সভ্য জাতিশিংগী থুজিন থোরাং অমত্তা চাগথোকপা ওবদে ; মাসিনা অমৌবা পাউ তাহন্নুমা ময়ামগী লৌশিং চাওরোকহনি। পাউচে অকুমা লন্নোমবগী থবক পুবা ওমদে; মাডি

সভ্য জাতকী মিংকী মশকনি, নম খুদিংগী পোৎ অতাং অহোং খংহন্নি, পোৎ ফংফম নোমকম, থবক অমসুং লমগী অবস্থা, তাইবংবানগী মী ময়াম অসি হৌজিক মনোম করম নোমহনা পাললি হাইবা পুন্নমক ইরম্ভ্‌না সভ্যশিংগী পুক্লিং লৌশিং ওইনরি। মরম অসিনা পাউচে· পারিবা লমদম অহু সভ্যগী মঙাল ফংলে থরৈ। নিংথৌনা প্রজাদা তাকপা য়াবমথৈ পাউচেদা শন্দোকই, প্রজানা বাবা হিরম এথৈ পাউচেদা ইদুনা নিংথৌগী সনা নাক্নোংদা তাহনলি। সভ্য জাত ওইবা ইংরাজীশিংদি মীপুমতিংনা পাউচে পাই। হৌজিক পৃথিবী শিনথুংলিবা লোনদি ইংরাজী অসিনি, থ্বাইমক ইংরাজীদা ইবা থবর পানবা নোমকম থোকই। জাত অতোনবনা সভ্য ওনবদা ইংরাজী লোননা য়ামনা মতেং ওইনরি।

থোঙবা।

হন্দকী থোঙবা হাইবা অসি, মুংথোইনবা নৎত্রগা থোইচৎ লাংচৎ নবা অসিসু নত্তে, লাপনসু নত্তে চুমথোইনি চুমথোই অসিগী মওংদি ইচুম চুমনা ওইনবনি, অমসুং মাসিদা থোঙরিবা মী অহুগী চোপ· নিংদবা মতৌসু উৎলি। ডাক্তর জোন্সনা ইংরাজী অভিধান অবা লেখই, মানা লর্ড চেষ্টারফিল্ডদা মাসি শন্দোকনব। তৌবিয়ু হাইরে। অহানবদদি য়ারমনপা মানা মমৈদা জোন্সনমু উশিং·থোক্লইবা উৎপাদগী ডাক্তর অহু পাবৈ অতোপপা থিহনা থবক পাংজরে। মাং অহুদা লর্ড অহুনা মাহাকপু অমুক চানবিবা বাহৈ হাঙরকপদা ঐ ইতোমদা হোৎনজবা চুমজবনি হাঙনা থুমই। বাখুম অসি লাপন নত্তে ওইনবগী

থোইনা খুদা য়ানি। তেখাওগী স্বৰ্গদেৱনা কাৰ্ত্তা মহারাজবু য়াম্না লুনা তৌরবদগী মীরাঙ্গবা যাহে অমত্ত হাইরকপদা কাৰ্ত্তানা নহাক্না অচা-অথক পীনবিবা অসি তোকপিরো ঐ কৰি অমত্তা লৌজরোই হাইনা খুমই। কাৰ্ত্তা মহারাজনা খুমলিবা অসি নাপল নত্তে ওই-নবগী থোজনা খুদা যানি।

মপাজল, মরোশিং ইলৈলৈতনা মীবুদু উশিত্তবা মী অত্তবু কংথোঞ্জ কৌই। মী তরাম তরাম থক তৌদবা, মীনা য়াহং পাউইংবদা খুমনিংথগুম খুমনিংদবগুম তৌবা লোথোক পৌশিন য়াদবা মীত্তু সুংথোইনবা “থোঞ্জচং যাংচংনবা” কৌই। মানা তৌবা ওবা মতিক মগুণ পুমনমক মচিনথোক্না মতিক উৎতুনা মীবু সুংশিহন্দবদু নাপল কৌই। থোঙ্গবা হাঙ্গবা অসিদি নাপনগী যা নত্তে, চিতোরগী মহারাণা প্রতাপসিংহনা মোগল সম্রাট আকবরগী সন্ধি প্রস্তাব য়াদনা পুনশিচুপ্না চীং লৈবাক্তা যানা মতম লেনবা ওমথিবগী মরুওইবা মরমসু থোঞ্জবা হাইবা অসিনি ! মতাং অসিদা পুরিবা থোঞ্জবা অসি মানা অবস্থা ফরিঙ্গেদা থ্বাইগী ফনবা ওাংবদি য়াম্না নোম্লকই। যাগী মতিক চাদবা থবকসু থক হোদোক্কে, য়াইফরিঙ্গেদা মাবু সুংশিদকম থোই-দোকপা লৈত্তে। অযরোমদা মানা তৌরিবদি অসিনি। [ক] খুদোংথীবদা খুদোংথীবা মথং মথং হাপকৎলকলবা অমসুং চৈনাথোন মথং মথং ফংলবমক্তদা যাগী লেপথ্রবা পুক্নিং অচু থক হনবা লৈত্তে। [খ] অনাংপগী অনাবা মপৈনা মথক্তা ননথ্রবা অগ্নমক্তদা অনাবা অদু মানা থক শীংথানরুদে, মানা ওমগে তাম্নিবা অচুতা মহোংনৈ। [গ] মীগী মতেং লৌবগী চামথোক্না কাম্রফম লৈরবমক্তা কনাদসু চানবিন্না মতেং পাংবিন্না হাইজবা ইলৈলৈত্তে, মরমদি কাল অহুদা

হাইরকপদি মপোক অমিবনী মাপী সিংচৎ অমসুং ইকাইখুম্না মাংখদোরি : অদুনা মশাগী মপাম্বোম পাজনতদা তোঙ্গনা মখয়া অমত্রা উনতনা অমসুং অকিবা নৌতনা লেপ্লুনা লৈ। মখোয় অদুনা মাগী মসুংকাপকা. মঙ্তো অচু উবদা মপাইগী পুক্নিংদা ঙুৎশি কুপাপী অদোম থক লাক্কে, অত্তকপা অকিবদি পোকই। মাসিগী খুদম্দি রাজপুত জাতশিংগী সেনাপতি অমসুং ইউরোপীয়ানশিংগী মরক্তা য়ায়া তোইনা উই। অয়াবা তারে হাইদুনা পুক্নিং ভরাং তপোইরা থক লৈতে, মীনা মীনা শাঙ্গনগদবা চোপকদরা লৈয়বদি, লিক্ম থোকনবগনা অকিংবা লৈতনা পুক্নিং ক্লাজিন্দুনা চপলেপ্লুনা লৈ।

লাইগী মোংজম থীবনা কনাগুম্বনা অহিং ঙুৎথিল অনিমক্তা কন্না অদা অনাগী মৈনা চাক্রবদা থোজনা হাজবা। অসিনা ঙুপাথোক্কপা পাজল পীমে। মীওইবমা অয়েখদা থাগৎমরিব অসি মাঙোন্না কাঞ্জিবু মাচুংবা লৈতে, মাগী তোঙ্গম থোকপা অত্তদা মাইপুমহুনা: লৈ, মাঙোন্দা ওৎপা লাইচিংহনবা অদুসু থক লৈতে য়ায়া নমা থম্নিং।

মীওইবগী লৌচৎ অসি থক তিয়দে খরনা লৈওমমা থোক্নবাই খরনা চুপতৈ ঙুৎশৈহেতবা ভমখিনবা মঙ্তো উৎলি। শরু চু রাংতনা মপা মউত্থু করবা মী খরনা কন্নিউেমঙদা মমিম মাওদহুবা অক্রংবু কিবদগী ককচিনখি অমসুং মীগী খুমাথাবা চাংউঙ। মীনা লাকচৎ পুমনমকপগী শাউহুনা অচুমবা রাখেল মপুংহৈবা নক্তি পীগে হায়দুনা মপাম্বোম তিংবদু লৈতে ; মীঙোনতদা হাইজদুনা লৈ। মশাগা তোঙ্গম থোকপা খবকপু মীঙোনতদা শিমথোক্নুনা পী নোংবী।ফুলী-অমনা মপান থোক্কানা :লৈ, মাগী মকনমা মাইথোং, অওবা মিৎরাং

অমত্তুং হিকহৈরবা খোঞ্জেম্নু ভাবদা মাবু মুংশিদবদি ওমদে, অহুদা মাহাকপু মী অমনি হাইনা শীংখাবদি য়াত্রে। খোজবা মী হাইরিবা কাংবু অসিদি মশা মথন্তবু কায়ত্রবনি, থবক ওমত্রবনি, মীবু কায়হনবা ওমলরোইদবনি, হাইনা থক থংবা লৈতে। মাখোই অসি মীগী মরক্তা থাক য়ামনা কাখৎলবা, জ্ঞান লৈরবা মীগী মতৌনি।

অমুক অংয়াবা অমুক মুত্তাটবা হাইবা অসি মী ওইবগী পথাপনি। পথাপ অহুগী মতুংইন্না ভুক মমংবা হাইবা অহুনি হাইনা পোজরিবা কাংবু অসিনা থলি—হায়া ওয়ায়পা কোয়া মুত্তাটবা ঙাক্তনি, ইচম চমবা প্রমাণদা লৌ ওয়ানা উরিডেদা ফৌ থোককনি হাইবা আশা অহুনা অবাবা অহু কোকই; অয়বা পোং অমা পুবদা কায়রগনি হাইবা ভাব অমনা অবাবা অদু কাউই। খুলাইনা পাখৎলবা মী অচনা ফরকনি হাইবা ভাব অমদগী অবাবা অহু থাংবা ওমই, শেণ্ট হেলেনাদা নেপোলিয়ান বোনাপার্টি মুত্তাইবা ওমববু খোজবা হাইবা হাথন অসিতদা তোংবা মরমনা ওঘনি। লাইরবা মীনা মুত্তাইরকখিগনি হাজবা আশা অসি লৈত্রবদি মশা অহু পুবা ওমলরোইদবনি, আশাতনা মীওইববু অবাবা কাউহল্লিবনি।

নিংতকপা [কাম], অশাউবা, অপাময়া, তথ্নংপা, ময়াইকাবা কয়কপা হাইবা য়েক্লবা তক্লক অসিনা নিংথৌবুহ খুছম চল্লি। লাইথুং-তিনথুং পুম্নমক্না নিংথৌবুহ মিংয়েং চংলি; থমোইগী লাইথুং মচা পোক্তবা, শিবা নাবা অসিনচিংবা অসি থম্ববস্থ ওমত্রি অকনবা লোং হুংশিং লাকপদা উজাওগা ভাইনথিবগুম লৈবাকী অককত্তা পুম্নমক নিংথৌদা বাতাকম ওই। মুত্তাইরবা রাজভোগকী মহুংদা অবাবা অসি

ইয়াও ময়াওই। ময়ম অসিনা অৱাবগা মুণ্ডাইবগা অসি ইলোঙ্ঙী লোইনরি হাইবা খন্দুনা মীচং লৈরকক্রবা লেনকক্রবা কাব্দি আশ্না তোংহ্না ঐস্ম মী অমা ওইরকখিগনি হাইনা খন্দুনা অখোইবা মীনা লৈনরি।

অখোঙ্বা মীনা হুন্নানবগী পুকচেল অসিমক্তা ইয়াও মাংদে, হুন্নবদি নোংমা হেক্তা মকাৱৈ, মীনা খংদবা অসিমা খক লৈতবনি। প্রকৃতিগী নিয়ম ওইনা হুৰু হুক্কবা মী অহুদি মীনা খাজদবা, উশিত্তবা ময়েক্লা তাই। অদুনা অখোইবা মীনা মী উদে হাইহনসু মাগী চংলিবা লমচং অচু গুপকাই কাইদে: জগৎ অসিদা অরোনবা থবক কুইনা থমবা য়াদে হাঙ্গবা অসি অখোঙ্বা মী ওইনিংলবদি থংকম খোকই।

নোংলুকপা।

লন মপৈ অমা তিংহনসু ফংবা ওমক্রবা মিংচংপু নিংথিবা খোল মখেক অমত্তনা ইয়াই লাইনা ফংবা ওমনরি। নোংলুক্কে হাইরবদি চাওথোক্কবা, পুকচেনত্তিংবা ইশা অমত্তম উহনবা অসিনচিংবা গুণ ময়াম অসি লৈগদবনি। নোংলুকপা হাইবা অসি খুৎলাই চংক্রবা মুরিং অমনি। জ্ঞানীশিংনা হাই "তোবক্তমবা মতিক মগুণগী নাপন উত্তবু নোংলুকপা কৌই"। হাও নাইদগী নিংখোয়েল অচৌবা কাওবা মী পুন্নমকী মকমদা মতিক ওতিক চাবা য়াহৈ খোনকম

চাংহনা মীগী পুক্লিং হুৰাইহনগনি অদুম তৌৰবদি থৰক্তা অপনবা মায়া কোকনি। গুণ মায়া চেন্নবা মীশিংদি ইমাই লাইনা নোললুকপা ঙমই। পাণ্ডৱকী ৰাজসূয় যজ্ঞ লোইবগা পূজা লৌগদবা শ্রীকৃষ্ণনা মীয়াম তিনবগী শীন্দলাংই।

জগৎনা থাগৎনৰবা লৌশিংনা কিজেং ওইবা নিউটনা মাবু থাগৎলব-শিং অদুদা মমাল্লবগুম খুমবা যা নৈ—" ঐনা থামজবিবা হিয়ম অসিদা ইততত্তনা খন্দুনা লৈজবা মৱমনা অসুপ য়ামবা বাখল পুথোক-চবকলিবনি।" ঐনা নোমবগুম লোমলবদি খ্বাইসু ঙমগনি হাইবা ভাব উৎলি। গুণ চেনলবা যীশু খৃষ্টনা মনাই সেবকশিংগী অবাবা উবদা থোংখুং পাইদুনা অনা লাইকবিবদা হজোইবা পোক্তে, অদুনা খৰাইনা মাহাকপু পূজা তৌনৈ। শ্রীচৈতন্যদেবনা জাতি বিজাতী খাইদনা ধৰ্ম্মগী পাউতাক তাহললি।

অতুপকীমতিক নোললুকলগা অতুপকীমতিক মথকথোংবা ইকাই খুমবা ফংনরি। ঐথোইবু য়োকপি থাকপিরিবা শেমবিরিবা মী পুরমকী মফমদা তৌবিমন থংবগা উত্তুনা হুৰাইহনগনি; নহাগী মতৌ ওইনা য়াহংপাউহবা কবিসু বাকবা থবক নত্তে। অনোনবা পুকচেন অতুনা ফংগদবদি ইকোমকোমনা খৰাই পুরমকী মতেং ফংগনি। মনিপুৰগী নিংথৌরেন নৰসিংহনা সেনাপতি অমসুং যুবৰাজ ওইরিঙৈদা ধৰ্ম্মতি ওইথৰবা ময়ামবুং মহাৰাজগী খুৱম কাগে থক হাইৰে, মতৌমা মহাৰাণীগী মাথং ইন্দুনতা অতুম মহৈ; ময়ামকুনা পোকপা চন্দ্ৰকীৰ্ত্তি সিংহবু অতম নিংথৌ ওইহললি, নিংললবদি সিংহাসন অতু মুনবদা কনানসু থিংবা ঙম্মোইদবা কাললি। মমৈদা য়েৰেকনা তাজৰক্তনা প্রজানা

রাজমুকুট কংলবতদা সিংহাসন কাখি। কয়াগী মতিক নিংথিথরবা লোললুকখরবা পুকচেনো। অমরোমদা লৈবাক ৱাকপগী মরমদি মাহাকপু নোংশাগুংবা মুপানি হাইনরমলিবনি। অসিগুমবা অকনবা-শিংগী পুকচেল্দদি লৈবাকী কায়গদবা থবক্তদা মতিকমগুণ উৎনিংই, ঐগী জাতি ওইরিবা ময়াম অসিবু নমকৎতুনা চাউথোকপা ফিজেৎ হেলাদ হাইনিংবা করিগু লৈতে।

ইউরোপকী মমুংদা মপা লৈতনা কললবা নেপোলিয়ান বোনাপার্টনা লৈবাক অচুং মীচম অইদগী করি অমতা হেক্লোক থোইদোকনা শেংপা চাবা লৈতে। ফুরিৎ খুকউ য়োবা অমা, টুপী অকোইবা অমা, খোংউপ অচবা অমগা অচুম মরেমি; মীবু মুংশিবা মিংয়েং হরাওনা উহনবা উহনবা মাইথোং, অচু উবদা কনা অমতনা মাঙোল্বা ভক্তি কৎতনা লৈবা ওমদে। মাহাকনা ৱাকাক অমা হরাওরকপদা লৈবাক অমা য়াইফহল্লিবা, পিগুম লৈরকপদা লৈবাক অমা কপন-লাউনথরবা নিংথোয়েন অচুনা শান চৎপদা তেজোল ময়ামনা চারি থক্লিবা চিল্লাক অচু মিংয়েং ভাই, কোইনা লেংচুনা খ্বাইবু পেল্লদি। খ্বাইগা ঐপা চিল্লাক-চপু মায়হললু হাইহনা, করি অমতা হেক্লোক থোইদোকপা উক্তে। খ্বাইনা ভুবা মতুংদা অশোই অঙাম মিংয়েং তাগয়গা চেপখি। খ্বাইনা হৌক্রিদৈদা লেংথৎতুনা তেজোল শোইদনবা শেরৈ, মীয়োক মীচান কবা য়াঘনা থোললুকপা অচুমক্তনা থরাইদগী মাল্লা হেনথরিবনি।

থাগী লৈবাকী সম্রাট কাংহি কোবা অমনা লোম্বা লেংথোক-লকপদা য়ামনা থোৎহবা তোল্লবা হুপা অমনা থুকখি। মাচুতবু

নিংথৌ অহুনা ইলু লুনা ওঙ্কনা হয়াওবা উৎখিবা অহুদা বাদি ঙাংদনা থোংলিবা মনাইশিং অতনা লোকনিংখিবা মতৌ উবদা হাইরকই—"ঐখোইনা জ্ঞান হেললি হাইবগী মাখোই থিবিক অসিবু বায়েল থোদা পীরি, ঐখোইগী মাখোইনা কিদম লৌজরি, ঐনা হৌজিক মাঙোন্দা উৎখিবা অপেনবা অদুনা মাগী থমোই অসিবু মমন য়াওদনা লৈরবনি। ঐনা মাঙোন্দা উৎপা অসিগুমনা মাম্থু মীঙোন্দা উৎলুরনি, অহুনদি ঐগী মীশিং অসি কয়া য়ামলকদগে থনফম থোকই। নিংথৌ ওইবা হাইবা অসি প্রজাগী মণাতদা ওইরবদি চেৎপা ঙমদে চেকশিন্নকলগা উন্নিং চোইমাংনবগুম তৌই। অদুনা মাখোইগী থমোই ফাওবগী মথক্তা ওইবনা কান্নবা হেললি।

তাইবংপান অসিদা মমিং চৎলবা ইউরোপীয়ান সাহেবশিংনা কয়া নোলপুকলিবা। হিন্দুগী মুম চংশন্থু হায়রবম্থু মচংদে, মাখোইদা বা লান অমতং হাইরু চৎচবদা ইতা তাবিদনা উশিত্তবা থক উত্তে। মথৌ লমথাংদা অশোক-অনা ময়াম চৎপা উরগা মথা কুমথদুনা থৈদোক্ত নম্থু কোক মচৎখি। থোগল লাজল গ্রাইদনা অচৌ অচোবা সাহেবশিংনা মখুৎনা তৌবা য়াবা থবকম্থু কোক ক্ষোকনা থৌজোককই, মা অমহুনা থবক ময়াম তৌবা ঙমদবগী হোৎনবা থৌদাই মোমিন্নায় হাইবা মতৌ অহুভা মউৎলি।

য়াইফ মুংঙাইগে, থবাইগী মকৌক থোংগে মথা অথাং অফবগী মথক্তা অফবা অমা তানথংকে হাইরবম্থু, হৌজিক ইতিক অচিংবদা চাওথংহনগে হায়রবম্থু, নোলপুকপা হায়বা অসিনম্থু ময়াঙরবদি মোংমা নিনি মতা চাক্কহুন্না য়াটকবা মতৌ উৎলমলগা মাংথরকপদা মাহাক্তী শকক ওই।

য়াম্না নোংলগা মীনা ঐবু করি লৈতবা মীনি থনথিগনি নিংবসু য়াওই, মাসি অরানবা বাথনি। গুণবু লৈরবদি মর্য্যাদা তোদবা গুমবা নত্তে। মরামগী মরক্তা মতিকচাবা থোদাং অমত্তদু পুথোকলবদি করি লৈতবা মীনি হায়রিনা কননানসু করি অমত্তা থনক্নম থোক্তে। তৌবা ঙমবশিংগী মরক্তা নাপন উৎলিবশিং অনিদি পাঙ্গল তেকপমথৈ মহে অমসুং মরল ওাংলমুরগা মতুংদা মীনা থীনা ঙাংনবত্তা মকংহৈ। মাথোইগী সহায় অত্তুদি লৌদবা ঙমদে, হুৎশিবদি পোক্করে। মরম অসিনা মমল নাইত্রবা নোংলুকপা হাইবা অসি অঙাং ওইরৈদগী তমগদবা ওই, মাসিদি লাইরবশিংগী লননি, অচৌবা মীগী থুংলাইনি।

কাম্যবন্দা পাণ্ডবনা ৱারীশাবা।

ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠির য়েংহনা থমোইশোক্না বাঃরবী দ্রোপদীনা হঙ্গংলি—তাবিয়ু মহারাজ। প্রহ্লাদগী মকমদা বিরোচনগী মচা বলিনা হংথি, ঙাকপিহৈবগা মতিক মগুণ উৎপগা অনি অসি কদাইনা ফবগে?

ধর্ম পুরমক্তা থজবা মহাযতি প্রহ্লাদনা শাস্ত্রমোং মতুংইন্না হাইরকই—"ইতত্তনা ঙাকপিহৈবসু ওইফদে, অথৌবা মতিক ঙাকসু উৎফদে; ঙাক্তনত্তা মরৈরবদি মথৈলৈতনা অৱাবা ফংগনি। য়েক্লবগী বাদি থথথো; মাহাকপু মকপনবু উশিন্ত্রে, য়ুমগী মুপীনসু থৌওইদহনা বারকপা ইন্দে, থবক্তা মাইপুনদে, অকিবসু পোক্তে মিংঙক নিংঙকপা অত্তদা মনিংমথা তমহই, মাহাক্তী দমণীশিংবু মীনা লাংনৈ। মরম অত্তুনা জ্ঞানীশিংনা

ঙাক্নবা লৈনদে, মরানগী মতিক চাবা শাস্ত্রগী মতুংইন্না দণ্ড পীনরি।

মরম অসিনা পাপী দুর্য্যোধনবু হৌজিক ফাওবা ঙাক্না মহারাজনা ধর্ম্মনি, ধর্ম্মনি হাইদুনা অবাবতা থাংদুনা লৈবা অসি চুমদমাললি হায়না নিংজে। মহারাজনা পোকপদগী তাম্লকপা ধর্ম্মগী ফলদি বন অসিদা চানিঙাই থকনিঙাই লৈতনা ব্রাররিবা অসিরা? ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব পুন্নমকপু পিজ পিথক্না পেহ্লনখিবা অমস্তুং মপাজল লৈত্রবা জীব খিবিকপু য়োকললকপা, ঈশ্বর নিংলকপা, ধর্ম্ম, কর্ম্ম তানখিবা পুমনমক অদুগা মহৈ হৌজিক মহারাজনা লৈফম চাফম থদনা, পামেল উহৈচিক উরা যোনখাংলদুনা লৌরিবা অসিরা? ধর্ম্ম হাইবা অদুবু তাঙ্গরিবা মীদা অসিগুম্বা অরাবা ফংহল্লিবা ধর্ম্ম হাইবা অদু তোল্লিদা! ধর্ম্ম কাইবা পাপীশিংবুদি রাজভোগ চাহললিবা, ধর্ম্ম কোবা লাইগী বিচার অসি করি বিচার কোই হাইবগে?

যুধিষ্ঠিরনা হাই—হৈবেম্না! নহাকনা ধর্ম্মবু নিন্দা তৌদুনা দোষ য়ায়া লংজরে। ঐনা তানখিবা—ধর্ম্ম পুন্নমক্তি মহৈ নিথিদে, তৌরুবা থবক পুন্নমক ঈশ্বরদা কংথোকই। ধর্ম্ম, কর্ম্ম তৌরগা মহৈ নিনরিবা মী অদুদি লল্লোনবা. মীগী মতৌগুম অতোংবা তানবা হাইবা অদুনি অসিগুম্বা মী অসিদি হন্না হন্না তমথিরবা নারক্তা তাদুনা লৈ। ঐনা নংইবা অসি শোকহৈদবা পোৎ অমা শোকউদুনা ধর্ম্ম কোবা লাইনা বারকইবনি হৈবেম্না! মাহাকপু শোক্রবা মীদি প্রকৃতিগী নিয়ম ওইনা শিংল শিংলবা মীস্থ বুদ্ধি হেক্তা মাংই। অদুদা ধর্ম্ম কিবা মীনা থুনা লৌশিং ফংবা ধর্ম্ম লৈতবা মীনা হন্না হন্না ওয়াহুনবা

লৈবা অসিনি। সংসার সমুদ্র অসিদা ঈশ্বক ঈপোম কয়া কয়া কারি সাধুশিংনা ধর্ম হিদা তোংহনা ইবাই লাইনা লানলি। ধর্ম কর্ম তৌরগা মহৈ নিত্রবা, ঈশ্বরগী পেরবা খ্বাই ফনবতা মশীললবদি, লাইনা মরালদে। মহৈ নিহনা ধর্ম তাত্নিবা, ঐদি ধর্ম চেয়ে হাইনা নাপন তৌরিবা, ধর্মবু নিন্দা তৌরিবা মীশিং অহ শোইদনা অওয়াবা নংগনি প্রকৃতিগী নিয়ম মতুংইয়া। ধর্ম তৌরগা মহৈ নিদবা মরমনা, চাং য়েংবদা ঈশ্বরনা নংনা থমলিবনি, নহাকনা ঐবু হৌজিক্তি করমনা ধর্ম তৌগনি হাইরি, পোকপদগী তৌরকলবনিনা মাসিদি ঐতোন্দা লাইনা থোক্নে। মমাংতৈগী সাধুশিংনা চংথিবা লম্বী অহৃদগী ঐগী পুক্নিং অসি করিস্থ তোংবা লৈতে। নংনদি বন্দা য়েবা অসি ওয়াবোই নিংলি, পুক্নিংনা ওয়াত্রবদি অওয়াবা লৈত্রবনি। ঈশ্বরদি ঐনা নোংবা চুমলিবা শক্ক অহৃমথে লোইনা কংলুবদা মানা পেনবি। ধ্রুবনা ভক্তিদা মকংলি ঈশ্বরনা পেন্দুনা কয়া চাউবা বৈভব পীথিৎবা। পাপ অতৈ তৌরবদি কোকনকম লৈ ধর্মবু নিন্দা তৌরবদি প্রায়শ্চিত লৈত্রে। ওয়ায়েললিবা য়োকপীরিবা খ্বাইগী মপু ঙইরিবা ঈশ্বরনা অচংচত্তা জীব পুয়মক অসি শেমলি, করি লৈবা জীবনি হাইহনা ঐনা মাহাকপু থোওইদবা চুমগবা। মাসিদা ঐ করিস্থ অঙকপা লৈতে; ধর্ম কাইগম্বু ইবেম্মা। ঐখোইগী নোম্ফম থোকপদা মনোমও, ঈশ্বরনা ঐখোইগী ইতিক চাবা মফমদা ময়াইনা থমজগনি ঐখোইনা নিবা হৌনদে।

দ্রৌপদীগী ওয়াবা উবদগী ভীমস্থ যুধিষ্ঠিরগী মফমদা থমোইগী অওয়াবা কোঙ্হনা হন্দংলি—অকনবা মীগী ধর্মদি করি মরমনা থা-দোকপিরিবা? ক্ষেত্রিগী অথোইবা ধর্মদি অথোবা থোনা উংকদবনি,

ইপাখোম পাকপা য়েকনবা ভমচুনা ইরৈবাক্তা পানগদবনি। মহারাজদি লৈবাক থাদোক্তুনা মীটৈবাক্তা লৈরি, বনদা উখোং শংচুনা করি ধর্ম তাংগনি? য়েক্নবনা ভমচুনা লৈবাক লোখিবা ওসি মহারাজনা থোক-হনবনি করি তৌবদগী লৈথরিবনো হাইবয়ু; খুৎথা চাটবদগী শোইবনি হাৰৗনিংই। কনবা হেক্নুনা মুনথরিবরা? করি লৈতবা মীনা লোনম তৌড়না চৌবরদা লৈবাক মুনথরে। অচবা ধর্মনা মহারাজগী জ্ঞান কুপহংথরে, অথোইবা ধর্মদদি পুক্লিং থমদ্রে। নোংশাগী চাংলুকপু লমহইনা মুংথরবনিথো! হাইবয়ু। য়েংসি করম্বা নিংথৌনা সন্ন্যাস ধর্ম চংগগে? ফত্তনা মীবু মহারাজনা য়োক্তুনা থবা অসি পুকচেন য়বননি, অচুনা বম্বা শাকলিবনি মাসিবু ধর্মনি হাইনা নিংবিরিবা মহারাজগী রাথল অসি ধর্ম নত্তে নিংঙৈ। মচিনমশাঙ, মরুপমপিজা ময়ামনা রাগদবা থবক তৌরবদি ধর্ম কৌদ্রে খঙ্গে। মকোকওইবনা মরোইমনাও য়োকনৈ, লাইগুরু হাক্তক্তগী মাসি চংনরক্লি। কাই-রবদি য়ামনা দোষ চাওই হায়না তাঙ্গে। দন লৈরবদি যজ্ঞ, দান পূজানচিংব ধর্ম পূমনমক ওানবা য়াই হায়না মুনিশিংনা হায়রি। তীর্থ চত্তুনা ভিক্ষা তৌদুনা ক্ষেত্রি ঐথোইগী করি ধর্ম ওইগদগে মহারাজ! মাসিদি ব্রাহ্মণগীনি।

অচদগী দ্রৌপদীনা অমুক হঙ্গংলি— মহারাজ! মমাংঙৈদা পাবুং মহারাজদা মুনিনা লিখিবা বারী লৈ— "সংসার অসিদা লৈরিবা অসিনা মাগী মাগী নোমজমন চারিবা অসি য়েংউ। মানা মানা তৌজবা মতুং ইন্না বিধাতাগা মাঙোন্দা মহং পীনৈ। নোংবা হায়রবা অসি থাদোকপা য়াদে নোমজ্রবদি কশায়দগী সম্পত্তি ফংবা ভমগদগে? থবক তৌরবদি চত্তবা পোংকী মরক্তা শীংথানৈ। চত্তবা পোংনা তোবা ভমলিবা

অসিদি নোঙা কৌদে, শা উচেক খিবিকসু মাগী মাগী নোমজময চাংরি, জীব পুমনমক মানা মানা ভৌজবা মতুং ইন্না চৎলি। জীবদি মমাগী অমৃত চুপলিংউদগী হৌনা নোঙদা চংখ্রে; মহৈ ফংলবসু ফংদ্রবসু অমাংপা অংাবা কোক্লবা জীব পুমনমক নোমনরি, নোমদি নোমশিন্দনা ফমহুনতা মচাথোক্লবদি সমক্রুগা মান্নবা পৈথরবা পোৎসু তুমখি। মী কোটি কোটিনা থংহৌদনা পোৎ ফংনরিবা অসি মমাংংৈদা তানশিনখিবা নত্তনদি ফংবা নৎতে। মী মী অহনা তৌক্ল তৌক্লবা অফ-ফত্ত থবক মতুংইন্না বিধাতানা মংাকপু মপোক মপাক খুদিংদা মহৈ চাংলি। নোমবু মনোমদ্রবদি মীনা ফনা মপোক ফহুনসু মহৈগী লন, জ্ঞানগী লন ফংবা ঙম্বা নৈত্রে, নিংথৌ ওইরবসু মচা মনাই ভাকপা ঙমদ্রে।

ভীমনা অমুক যুধিষ্ঠির য়েংদুনা হন্দংলি—ভীম ঐনা হিংলিংঙৈদা মহারাজগী বৈভোবপু মীনা মুনখিবা। দাদা মহারাজগী য়াথং নৈরবদি হিংনা কুপপদা লেক্লবা পুন্নমক তকথোক্কে, ইরৈবাক হঙ্গিনসি। য়েক্লবনা নোকনবা অসি উবদা ভীম ঐগী প্রাণ অসি পুবা য়াত্রে।

ভীমগী বা অছু তারবদা যুধিষ্ঠিরনা হাইরকই—নখোই থ্রাইমক ঐগী মরমদগী অহাবা তারে, য়েক্লবনা লাকচবা পুন্নমক থাংজকলে। অদুদা নখোয়না হৌঙ্গিক শাউরকপা অসি অফবা কর্ম্ম নত্তে, অশাওবগা মান্নবা য়েংনবা অসি তাইবংপান অসিদা অতৈ অমা নৈত্রে। শাংরক্লবা অহদদি অফ-ফত্তা ওয়াখল থনবা ঙমদে লৌনম হৈরবা শকুনিগা লোঙ্গৈনবা শান্নবা মতম অহদা শাউবহনা ঐনা মাংবগী মতিক খুংথা চাওরক্লে। তোংকে হাইবা অসি ঐ ঙমখিদ্রে, মাংতুংগী

বিচার তৌরক্লদ্রে, অস্তুপ ফত্তবা থবক অসি দুর্য্যোধননা তৌরককনি হাইবা খললুদ্রে। চোপথিবা পুমনমক অসি নমাংদা তেৌদনা উথরবনি, মাঙ্গদা নখোই ঐবু য়েংদুনা খাংলকলে। চহি তরানিথোই হন্দা চৎপা চহি মথা লোৎপা হাইবা অসি, ইনাওশা নমাংদা কুকপী সভাদা লেপনথ:র। অসিদা মাই করম্না পুদুনা হনজনশিগে? সভাদা লেপনথিবা অাস হিকতোকপা ইতিক নত্তে। নখোইনা ঐগী ওয়া ইল্লবদি ঙংলিবা অসি তৌহনিংদে। বন্দা শস্তুদনা শাউগদবা লৈরবদি শাম্নবা মতম অদুদা থামদবা করিগনো? হৌজিক্তা অকনবা খোন থাদুনা ঐবু ওয়াহন্নে। হৌজিকমক ঐ থওয়াইথাবা ফাওবা ঙমগনি অদুদা হাইনথিবা সত্য অসিদ থাদোকপা ঙমোই। লৈবাক পামদুনা সত্যবু থাদোকলবদি, মিংথীবা, ধর্ম্ম কাইবা মতৌ অসি জগৎতা নিন্নথরগনি। ম্রুপা ওইনা পোক্লগা ঙাংথরবা ওয়াবু মরেপত্রংদি কনানস্থ থাজথরবোই, উশিৎথরব্রোই। মাসি থন্দুনা ইনাওশা, পুক্নং ঙপধখো: মতম থরদং অওয়াবা অসি লেল্লগা অমুক চপ্লন্দুনা পাললুগনি। সত্য কাইদ্রবদি ঈশ্বরনা ঙাক্কনি।

ওয়া অসি তাববদা ভীমনা হঙ্গৎলি—পুনশি হাইবা অসিদি ঈশিংগা কাবা কোঙ্গোনগুম মতম থরতনি, চহি অমা ওয়াবগুম নোংমা নোংমা লেন্দুনা চহি তরাহুমদোই খাংবমক্তা ইংথনদুনা কদোইদস্থ দুর্য্যোধন্না লৈবাক পীরোই। মপাঙন লৈবা মতিক চাওবা মনা পাইথ থিদুনা নোমদ্রবদি থবাইনা পাংথবা অয়মবা মীনি হাইনৈ। মপোক অরেম্বদা কেন্নে সত্যপীদমক পুকনিংদা লেপথরবস্থ, মুনিশিংনা মহুৎশিনবা [সোমপুত্তিকা মত] তাকলি। থা অমনা চহি অমা লৈকনগনি, থা তরাহুমদোই বনদা লৈরগা য়েরুববু ঙমনবা পামবৈ থিবিন্নু মহারাজ।

পুকচেল চাউরবা যুধিষ্ঠির অচু তুমিন্না তাহাক লৈরগা তীর্থ চেন্দুনা হাইরকই, নহাককী ওয়াথল অসি লৌনম তৌবা ধর্মনি। ঐগী সর্বজিংঙবা ধর্ম অসি করমনা হল্লোকনি। পাপকী লমচৎনা হনকী মেকনবা অসি থক ওমলোই। ঐখোইগা মেকনরিবা অসি অচম্বা মেকনবা নৎতে, বমমকনা কিরবা, মরোল অহুমমকপু ওয়বা লাকনদীরবা ওাকনি। মহাইকারবা চাওথোকলবা, নাপন ওয়াংবা হুমিংচুপপা শাউহুনতা লৈরবা অসিগুমবা মী অসিবু পৃথিবীগী মপু ওইহল্লে। খুংলই চংজ্রবা ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপাচার্য্য হাইবা অসিনা মহাক্কী মীচংদা লেপলি। মাহাকনা মেবা তৌচনা পেল্লি। অম-হিকম্বুং মহাকীদমক থওয়াইথাবা কিজ্রবা কম্ম বল্লবা নিংথৌরেন ময়াবনা মাহাকপু শেম্মরি। অদুমবা দুর্য্যোধন অসিবু করমনা লাইনা চুমগবা? মহাকনা নাপন তৌরিবদি নপাঙল কল্প হাইবত্তগীনি, বিভাগ ওয়াংলি, চহি ভরানিথোই অসি নাইহ তংনবা হোৎনৌ। ধর্ম হাইবা মরুপ অসি নত্তনা মাহাকপু ঙমনবা পামবৈ লৈতে। ধর্ম কাইজ্রবতদা ঈশ্বরনা ঐখোইগী মচংদা লেপকদবনি।

জাপান্না চাওখৎখিবা

জাপান্দা খুদা ১০০ গী মনুংদা ৯১ লাইরিক হৈ, নুপী ১০০ গী মনুংদা ৯৮ লাইরিক হৈ। ইংলণ্ডদা মী ১০০ গী মনুংদা ৫৯ অমুগা আমেরিকাদদা ৯১.১ অমুমনা লাইরিক হৈ। লাইরিকহৈবী জাপানগী নুপীগী লমচৎ অসি য়াম্না ফৈ। ঐখোইগী মনুংদা নুপী লাইরিক হৈবগী ওইরকতে [illegible]

মহা, মুখপুবত্তী হুপী ওইনবা হাইদুনা য়াম্না কন্না হুপীমচাশিংবু তাক্লে। অদুগা মরমদা মহা সাহিত্যিকশিংগী অমনা কাম্বথরিবা অসিদি, ওজা চাখদা শিন্নহনবু অহুপ ওইবা য়াদে।

জ্ঞানলৈরবী জাপান হুপীশিংদা মপান কোইনা থোক্লম্লা নোম-শিকপা চংথম্লি, পোনগুমনা য়োকপা উচেককুন্না ইমুংদা হৌইদিবুনি/ য়োক্লে। মৈ পূর্নমক জ্ঞান লৈহন্লি, অমনা অমবু নমহৎতুনা থম্বা হৌনদে মরাম পুকচেল হিন্নগৎবা অমসুং থংহৈমক য়াইকমিন্নগদবা কিরম অসি, মখোইগী সাহিত্যগী মচী খুদিংদা উৎলি। মখোইগী থবকথনা পূর্নহক্তা পুকচেল ভংলবী, মখোইশিংগী হুপী মরাম ইন্না গুতা মরাওইহল্লি। পার্শি হুপী অমসুং অদু হুপী নত্তুনা এশিয়া মহাদেশগী মকম অতৈদা জাপান হুপীগুম্না হুপীবু মপান থোকহনবা অসি কন্না উদে, চীংদা লৈবা অমসুং অসভ্য শাংকৌদি শীংথানকদে মণিপুরগী অরাপা য়াম্না শন্নরক্লুনা মখোইগী লৈচৎ য়াম্না মান্নথরে।

জাপান হুপীশিংগী অহুকপা কললবা শক্তি অমা লৈ, মখোইনা চৎথরবা মকম অহুদা করিগুমবসু পুকনিং শাউদৎহল্লে। মখোইনা শেংবদি চাবিরবা অহু যেংবদি শিংথিরবা মচুথিবকনা লৈতেংলবা চুম্নাক থারি। মাঙাং থোনকসু য়ামনা মেংই, থোংদি মরামবু শেক্লবা শেক্লবা লৈবাকমচা তাথোকপা, অমসুং মখোইনা তাংদিবা অদুদি [illegible] হেরেম বাচোই অমতা য়াওদবা মাঙাং অহু তাবদা শাউনিকনবা হুৎহৈতবা থেরৎবা পূর্নমক ইশাও কাওহল্লি। অদুবাদি [illegible] লোশিংগী অচুম্বা নথবী লৈকাইশিংবক পুখোকপরকপরদি [illegible] [illegible] লোশিং শিংবদি বাযদে; মঙাং অসিদদি [illegible]

য়াবনা লেজি। হুপীশিং অমু শিংলবসু হুপাদগী হেক্না হাইবা মাপন থক উৎলে, লমচৎ য়াম্হায়গী মথোং, মমেং, মমিতা, মতুংগি। মাকৈশেংবসু হুপীগা হুপাগা মাইরিক চপমান্না ভত্ৰিময়কপদসু মাখোইগী হুপাশিংনা হুপীদগী শিংবা হেন্নবা মাবনা ইকাইবগা লোইননা কন্না লোংনৈ, হেনবসু ওমই। তৌইওমবসুং জাপান হুপাশিংগী মীচৎতি চুপনবৈ অদুগা হুপীগী মীচৎতি পুকনিং হুনবগী মপকনি।

জাপান হুপীগী মাথনগী ওথৈখেদি অসিনি—কন্নমক পামৈবা পামলচাউবা মপুরোইবা অমগী পুকচেল কাবা ওমগদগে হাইবা অসিদগী হেন্না অচৌবা। তানথংকম অতৈ অমা লৈতে হাঙনা থরি, চাবোক নাউরোক কজবা অমহুং হুংশিদৈদবা অসিবু হেন্না কজবা লৈতেং লৈতে হাইনা থরি। মী পেললনবা, মীবু হুত্তাইহনবনা মাখোইগী ধর্ম ওই। মাহুদা হুপীশিং অদুগী অচোপপা, পুকচেল য়াংবা ওয়াথম মরিক অমত্তা পকহল্লে।

পুকনিং ওকচাং হুত্তাইখ্রবা অমত্তুং মিংশেলদ্দ মরম লৈবা, অদিগী অমগী অথোৎলা পুখোকপা তাই। অসিনকনা জাপানগী পুথো [illegible] লেউথংখরিগা, লৈবাক মমা জগথন্নিবা অসিগী মখোইমু অমম অমনি। অমগী শিরং মমা উবদা অন্ড মপেল্লু লেপিদ্রবা মাংলবদি লৈবা অমকই হাউনা থইনৈ। অমনা [illegible] অমমা পেন্থ থম্না [illegible] উমদি [illegible] অতোপপা অমা [illegible] কপে [illegible] মখোইগী মতৌ [illegible] হোৎনাবীবা অদুগী [illegible] [illegible] অমদা মামা [illegible]। [illegible]

জাপানগী নহারোল অমাঙবদি মরৈবাক্তা লাইরিক লাইত থরদং ওয়বিরগা নিংথোনা অচৌ অচৌবা মৈবাক্তা থাদোকখ্রে মরৈ ওয়রুই। মরম অসিদগীদু জাপানা অমুপ থুনা চাওখৎখিরিবনি।

জাপানগী ধর্ম অসি মায়না তিংই থাইনা মমাংগী হৌনা মথং মথং পোকথরকলিবা মী ময়োন ময়োন থুরিংনা, লেংলি পারিবা অসিগী শাক্তং য়েংদুনা থরম থরবা রাখল অচু, ইশিন্দুনা তুরো হৌরকপাশিংগী রাখন্তা মৎং থাদো, থনবগী লোইবা নাইদে হাইবা অসি সাহিত্যদা ইহিংতিংনা উৎলি। মপোক অসিমাদা মমিনা নোম-লমলগা অমুক পোকলকপদা ঐনা শনমবা অচু ইকং কনগনি হায়বা অসি মীকুপ্তগী নিংথো কাওবা উৎথিবা মরমনা, অসিদগী হেনবা অথোইবা ধর্ম অমা মাথোইনা পাবা লৈথিদ্রে। মীওইবা ঐথোই মমাম নোমশিল্লকনা, অমগা অমগা পাংশিররকতুনা, থবাই ফুংলাই-মিরনবা রাখন অসি কয়া কয়া লৈরিবগে হাঙবা অসিতা, মীপুম তিংনা থররকপা মরমদগী মাথোইনা অমুপ থুনা চাওখৎপা ওমথরিবনি।

তুম্বা।

অহিংগা লোইনরিবা, ওক্সংনবা মশক ওইরিবা, ফুকনিবা শাইরেংবা মং পাংনবিবা মীবু মিংনকুপপদা নহাকবা লৌশিং থাজুলি, ওবা [illegible] বিরবা পৃথিবী অসি মাবা [illegible]

হুনথরবা। ইপৈ ঔরাইনবদা থমোইহংলবা উংচক পুমনমক হুম-ফিলুনা ইয়ুল-মুরুংনা মহমদা চংলক্লে। তঙ্খংবদা হুয়িংথোইশিংগী শাংকাইরবা মনম হুৎশিনবা নৈ পুমনমকপু থোক্‌ইদনা তুমথরে। হানৌনা নেম নেম হৌরবা লম্পাক্তা চাথবা বর্ণশিং অহু লৌশিং নৈতনা তাথরে, শক্তিক চাথিক্লে থোংগু থোংথিক্লে। নোঙ্জালকপুত্তম থোংলবা মাসুক-দাবা থিবিক অত মশা ইচোক চোকথরে, মরাখিংলবা অঙাংশিং শারু-কুমৈ কাউদুনা লেংথিদরে, তুমথরে। খুরক নৈরক কোইরবা থোক্লেন মাংনা নোকলমবা অঙাওবা পাথং থিবিক অত নোক থেবা চংথিক্লে। অতুং অথম নৈতনা মী চংপগী নিরমবা, শগোলশামু চেলমবা লমবী অহু ইচিক চিকথরে। হুইনা অথুপপা নৈতনা কমবী অহুদা তুমলি, হুৎশিংচাবা লিনশিংসু ইশাংশাংনা তারি। অহিংগী কৈথেল থমথরে, লুপোন-ইভিক চত্তরে, মীচিক মীরাওথোন তাদরে।

কনা কনাগুমবা লেংলি-পাল্লিবা মহোশাগী পোং পুমনমক অসি জীব পানবতাকনি হায়না উবা মাহুগী থেম্বা মথল-মথেল নৈরমবা অহু লাইরেমবানা লৌচিং অমত্তা ওমনা পুহনা অপং অপুমবা জীব পাম্বত্তম নিংহল্লে।

ইবেমা নহাক্তী তঙ্খংনবগী পাদল অসিদি অতকপগী মশকনি, নিংথিখরেদা। মনা শোকপদা অমা-অমা পুমনমক ইকাউকাউহল্লি। থমোই ইংনা অহিং লেললি, হুংখিলদা মিতগী পি কল্লবা হুৎশিনবা মচা থাইনবগী থমোইপুবা অমরবশিং অহুনা অমা অমা কাওথরে। শান্নবগী থাইনবা শানৌ মচা পুম্বগী অমাবা মৈচাক হুৎথরে। ইবেমা নহাক্তী নিংগু থনিদি অতকপগী মশকনি মথা [illegible]

অদি ঐকপুনী থেংথরে। অমসুং ত্তোম ঙমদা অদি কনাগুম্বা উবে, ইনুং নত্তবা শোংপুং অচুবগী ওইনা উহৌরি। খাংগোক্কা ফুমলিবা ইমম্মা ঙুম্মা থীজিনবা নিংথৌগী তোপ চাহনদি। নিংথিরবা থোইবগী মক্কা থোকপা নিংথৌনা চাকুনিবগী অথক্পা ফংহনদ্রি, মচা শোকপা থৌবু মচাগী মাইথোং উহন্নবি, মোনুম মোনজেকপা মমাইনা হিপ-চাক্লিবা থৌবু মকোক্তা মখুং হাপচনা খুৎ থাক্তা কোইনা লেপ্লি। ঐকখোয়ো ইবেম্মা, নংগী মায়া মনো। থৌইবনা থোৱাংলখিবা খুং-হাংবগী লৈবাকপু মিৎনা কুপখনা ইরাই পাইনা থোকলমখিবনি। থুক্ক্রিংহনা, খোয়েন মখৎলনা, নুরবা মথক্কিনী তুবেম্মা চেনলিবা মপাম শাৎলিবা, মটেং মাংলিবা, নিরবিখংগী মাই ঙাক্লিবা কন্নবা থিবিকনা থরকয়া অমসুং লেনপ্পুং থোইবা মাইরেম্বীশিংনা থকলিবা কামচুহা মপুবীগী অমুত ছোংলবা শোরারেলবা লৈবাক্কী খুন্দি মাইলস্তা মরক্তা নিংথৌবা থিবিকনা তিনুলিবী শচী খোংপা লৈংলবা কমজিত্রহনা শোরারেলগী অমরাবতী কোন্তুংদা মাংলিবা অমসুং থোকপা ওথোকনা থিংশেন্নবগী মশক ওইহনলি। মৈথুমচু মানলবা শাংলবা অটানা নমথম্বা তাবিবা, হুবিংমুংবগী [illegible] মথুংতা থীপা পাইহনা হমিপী ওপ শকলিবা অমসুং তাবদা নাকোং শেন্নবগী মশক ওইহনলি।

মোইকুনী মতোওন মপুমথর মাম্নবা, ঐকশথদা পারিবাত পরেং থোনজিবা, লৈবেংলিবা হুপুবগী থোকেম্মা তানচানা নিলশিবা, মপোই ইঁশবা পুকলিং নুপংবী চিনবানানা তমানচু ওবজবী মুপী অমাপিং অমা থৌনম্বা থুনাও শোকলনি।

শিরম পাপচেনবা মীগী মৈকম ওই হাইরিবা অমমবা কমলবা নরকপুর মতম অমদা উহললি; মকম অমুক্তা মৈচাক কমবা মৈমা মরি লাবদুনা চাকলি, শিহনবদি মতমা পাপীশিং মৈদুং অমদা হৌবিনলো লাকনরিবা থত উহললি। মকম অলিবদি খোঙ্গানবা চমথ কংলবা, মৈলেং কাইরবা মী অতগী চিমথান মথাদা দুরবা ইললবা লোকী উশিং চেললি খাংখোইবু থকপদি অংহনে। মচু মুগা খোনবা হুইনা চিংকহনবা তোংশাদগী ঐ শিহনলিবা, কাকপ হিংলিবা মীনী মথিং হক্ষোকহনলিবা, চৈহুপনা হুদনা লাকনবদা লাউখোৎহনা থাংলিবা: মেইবদা অকৌবগী মশকনি। হুদাইবা, অমাবা, অশাউব অকৌবা অঙকপা পুমনমক ইতিন থিত্রে। চমকেদা ইবেম্বা মহাকবী মায়া অসে অলিথকপগী হেনবা শক্তি অমম মৈরি, দুমগী শক্তি অনিনা থুহুম চনবদি ঢাহাকনি। জীবাত্মাবু তমংখরবা মতম অহুমদি অহিং-হুরখিব অচিক-খগা অকাখনা থাইবা মৈথিত্রে। ইবেম্বা মহাকবী হুপাকগী জীবাত্মা অমি পরমাত্মাগা তিজনা মথেং মৈতনা হুত্তাই।

অনিশুবা অধ্যায়।

How to lead this life.

পুন্সি করম্না লেন্গনি?

চাহং অসিগী থাংগৎলেংবা পাউখুম পীবদি নুই। অহনবকপু অথাখা ঝাবীশিংদা চংথিবা অমসুং তাকলবা লেংবগী পুকনিংদা থাজবা থৈবে লৌহনা কিরেপ অমত্ত লেপজরি।

———

পুন্সি করম্না লেন্গনি

ঐ. অমসুং ঐগা লোইননরিবা জীব মখামখা মুত্তাইবা পানবা থাক্নবা ওজবা থবক পূন্সি অমসুং লাই নিংগনি, থবক অমি থংগে হাইজরমদি মহাপ্রভু প্রকৃতি অমসুং জীব। অদু থিকম থোকই।

———

প্রকৃতি অমসুং জীব।

লেংজিপাল্লিবা, মরাইবা হৈজবা অমসুং মহোশাগী [illegible] প্রকৃতি কৌই। [ম—মরাইবা, হৌ—হৌপংফুম শা—শাবা]—মহোশা। [illegible] [illegible] অসিগী লৌমনবা লিবগী [illegible]

চংখোকখিবা অদুবু জীবাত্মা কৌই। জীবাত্মা মহাক অসি খোকহল্লিবা মপু অদুবু পরমাত্মা "ঈশ্বর" কৌনরি। মৈবাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অমসুং অতিয়া মখা অসি হিংলললগা ঈশ্বরনা পোৎশক মরাম ওইহল্লি। মাদুগা জীবাত্মা চংহল্লগা মাগী মাগী হিংবা য়ানবা থবক অদু মশা মশাগী তৌহল্লি। মাগা মানা তৌজবা কর্মফল চাংলি।

জীবাত্মা অসি পরমাত্মাগী অংশনি, প্রকৃতিনা জীব অমগী মখানি [হায়বদি হিংবগী পাম্বৈনি] ঈশ্বর "পরমাত্মা" না মপানি। হকচাংদা লৈরিবা আত্মা অসিদি হকচাং অদুগী অংগম্বা অমা অমসুং নুংঙাইবা খঙ্ দই, অদুমদি ওইরগা মাদি হকচাংদগী তোঙানবা পোৎনি, প্রকৃতি অসিগী লৈচং মতুংইন্না ঈশ্বরনা মাঙোনদা হকচাং অসি য়োকবা নিয়ম শিন্নরি আত্মাদি মশানা থবক তৌদে, প্রকৃতিগী পোৎ অসিবু হাইবদি দেহ অসিদু য়োকহল্লি। ঈশ্বর হায়বা অসি সর্বব্যাপীনি; অভিমানা পোৎ পুরুষকপু কুপত্তুনা লৈবগুম ঈশ্বরনা পোৎ পুরুষতা শাম্নখ্রে লৈরি জীবাত্মা হায়বা অসিদু ঈশ্বরনা ওইনা অমা অংশ অমনি। মরম অসিনা মাদু ঐখোইগী অদিং [illegible] লৈ হায়রে। জীবাত্মানা মায় পকপা, ঈশ্বরনা মায়া পাক্লকপগী ঈশ্বরগা জীবগা খেন্নরি।

জীবাত্মানা মশাগীদা য়েংহনা ময়ামগী কাউরকলবা, মাহাক ময়ামগী মচেৎ অমনি হাইবা নিংশিংবদু, মপুকপদুমা লেপলবদি মচেৎশু পোইরনা য়াউগনি হাইবা থংলকত্রবা কান্দা জীবাত্মানা যারা পকই। মশাগী [illegible] য়েলবু মায়া কৌই।

[illegible]

মীচু থকলুত্রবদি অথাবা অদু কৌকই। ঈশ্বরু ঐখোইবা ফত্তিকম থোৱৈ মরমদি আত্মা হাইদুনা লৈরিবা অসি মাতৌঙ্গী তোঙানবা নত্তে। অদুমদি ওইরগা সনাহিদাক চাবগা হকচাংদা শোইদনা দুঃখ হণ্ডংনা মানা মানা তৌজবা কর্মফল অসি থুনা ওইরবসু নীয়া ওই-রবসু শোইদনা কংই। ঈশ্বরনা ঐখোই মী অসিবু মোংথোরবা তৌদে, ফত্তনবসু তৌদে, ঐখোইনা নিংবা রাথল অফ-ফত্তবী অতুং ইন্না হইং অতম মচাফহল্লি। ঈশ্বরদি জগৎ পূরণকী ওইনবা পথাপ্পা মথেমই, ঈশ্বর হাইবা অসি থ্বাইগী শক্তিপুরনি [অপুনবনি]। অদুনা মাতাবপু পেলংনগে হাইরবদি থ্বাইগী ফননবা শীনবা তাই। থ্বাইগী ফননবা থক্রবদি ইশাগীসু মাংথক্রকই। জীব মরাম অসিনা মাখোইগী কেন্দ্রস্থল ওইরিবা ঈশ্বরগা তিন্নবা হোংনরি।

ঈশ্বর থুনা কংগে হাইরবদি জীব মরাম অসি অমনা অমগী মতকবা থবক তৌগনি; ফত্তনবা থক তৌকদে। করিননো হাইদবু জীব মরাম অসিদি অমনা অমগী তমনকম ওইবগাকনি, মাখোই মশেন ফত্তনবা তৌনরবদি ফংথিত্রবা অংগী মতৌ ওইতেনা তম্লকনি। অংগা কংবা তৌদনা ফগংহল্লবদি ফ্যবরুপা অদুগী মতৌসু ওইরকনি। থোংবা শোক্লগা হকচাং অপুবা নংবা ফাওই, তৌবনদা পুক থম্মে; হকচাং অচৌবা অমগী থোংপুক মথা ওইদুনা লৈরিবা ঐখোই অসিদি অমগী ফত্তবনা থ্বাইগী ফত্তে। মরম অসিনা ঐগী ঐগী অকৌইবল লৈরিবা অপুবু হায়া ফহল্লগা, মাখোইগী মংতং লৌরগা, অকবা থবক তৌদুনা লৈরিবা ঈশ্বর কান্নবা তোংঙনমি। অদু নত্তন মাখোইবু [illegible] [illegible] মরাম [illegible] [illegible] মতৌ ওইবা, মাদু [illegible] [illegible] [illegible] ঈশ্বর কংদে। [illegible] [illegible] মীগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

মসমন হৈবা জীবনদা পাপ তৌরে। পাপ চংবা থবক তৌদুনা পুনশিল্লি লেনগনরনি। পাপ করিনো? অকাইবা থবক। অকাইবা থবক অমা তৌরগদা কনাগুম্বা অমত্তদি মনগনে। অমনা নত্তনা মরাম পোকনরবে। বংলিবা মরাম অমুগী মনুংদা পাপী অহন্থ য়াওদি। পাপ তৌরবা আত্মা অহম্ব মকল্রবা আত্মা কৌনৈ। আত্মা করিনো? ঐখোইগী পুকনিং অমমুং ওয়াথমচিংবা খোবকক্কম অমমুং জীব পানবনি হাইবা খংহল্লিবা শক্তি অহন্থ আত্মা কৌনৈ আত্মা পুরমক পুনকম ভুংকম ওই হাইনা থাজবা মরমদগী ঈশ্বরবু পরমাত্মা কৌনদি।

